# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৬০

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

ঙসিমক খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী অপূনবা কেস মশীং হেনগৎলক্লি। মসিমক মণিপুরগুম্বা চীংলোন কয়ানা কোয়শিন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অসিদা চঙহন্দবা হায়বসি তশেংনা অরুবা অমদি নত্তে। মরম অদুনা ষ্টেট লৈঙাক্লা হীরম খুদিংমক্তা থম্মোয় শেংনা হোৎনফম থোকপা থবক কয়া হোৎনরি। অদুবু থম্মোয় শেংনা অচুম্বা অশেংবা থবক পায়খৎলবরা হায়বা ৱাহং অমদি মীয়াম্না লেপ্তুনা হংনরি। মসিমক হংনফম থোকই। মপান্দগী চঙলকপা মীতোপ কয়াবু মফম খুদিংমক্তা চ্যেক ফজনা তৌরি। ৱারী ওইনদি ফজনা থবক তৌরি। অদুবু মায়কৈ খুদিংমক্তা থম্মোয় শেংবগী শক্তম ঙসি ফাওবা ময়েক শেংবগী ৱাখল মীপূম খুদিংমক্তা লৈরবরা? ৱাহং অসিগী পাউখুম মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি।

মরম অদুনা মসি পূম্নমক অচুম্বা, অশেংবা থবক পায়খৎপীরিবশিংনা নুং-পান থম্মোয় শেংনা পায়খৎতবগী খোল্লাউ খরদি লৈতবা নত্তে। লায়না অসি থিংনবা মপান্দগী লাকপা মীপূম খুদিংমক চ্যেক তৌরিবরা হায়বসি ৱাহং অমনি। অসিগুম্বা কয়াসি থম্মোয় শেংনা থবক তৌবগী পোরম ময়েক শেংদবগী ৱারী লৈতবা নত্তে। মপান্দগী লাকফম লম্বী খুদিংমক চ্যেক ফজনা তৌরি। অদুবু খ্বাইদগী লুরিবসি লায়নাসি মপূংদা মীদগী মীদা শন্দোকপা লায়নানি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা লোকদাউন মপূং ফানা চত্থরি। লোকদাউন মনুংদা মশা-মশাগী খঞ্জবা মীশক মীওই খরদি লৈতবসু নত্তে। মসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা গাড়ীশিংদা লোন্না থুপ্লা মীতোপ পুশিল্লক্তুবদি করিসু চিংননিংঙাই লৈতে। মসিমক গাড়ী থৌরিবশিংনা কদাই ফাওবা থম্মোয় শেংনা থবক ওইনা পায়খৎলিবগে হায়বসি খ্বাইদগী চাউরবা ৱাহং অমনি। মরম অদুনা অচুম্বসি থবক ওইনা ফজনা পাঙথোকমিন্নবগী তাঞ্জা ওইরি। মতাংসিদা খ্বাইদগী পিকপদগী খ্বাইদগী চাউবশিং গভর্ণমেন্ট, শিন্মী অমদি গভর্ণমেন্ট মনুংদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবশিংগী চাউরবা থৌদাং ঙাক্তনি।

অসিগুম্বা লুরবা-চিরবা তাঞ্জাসিদা মশাগী ওইজবতা খনবা মীশক খরসু অকিবা-তুজুংবা য়াওদনা থবক পায়খৎলক্লিবসি চ্যেক তৌবীফম থোকই। লায়নাসি মীদগী মীদা শন্দোকপা ওইবনা চ্যেক তৌবসু অরাইবদি নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অমদি লন্নাইগী মীওই খুদিংমক্লা থম্মোয় শেংবগী খুদম ফংদবদগী মীয়াম্না মীপায়নবনি। মসিনা তাকপদি অচুম্বসি চৎনদে হায়বসি থবক থৌওং অসিনা তাকচবনি। মপূং ওইনা মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদদি খ্বাইদগী লুরবা তানফম অমনি। মণিপুরদা য়াদে, অথিংবা লৈরে হায়রবদি থুগাইবা পান্বা মীশক মীওই খরদি ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরকই। মরম অদুনা নোংমৈ কাপ্পবা য়েংবা, কর্ফিয়ু য়েংবা থোক্লরক্লিবা মণিপুরীশিংনি। অঙকপা অপিকপা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী চিদাইদা লৈবা ষ্টেট অমনি। মপূং ওইনা অসি য়ৌনা ৱানরবা মতমসিদা মশা-মশাগীতা খনবা মীওই খরদি শিবা কিদনা থবক ওইনা তোঙান তোঙানবা




থবক পায়খৎলকই হায়বসি পূম্নমক্লা ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। মসি পূম্নমক খঙনা খঙনা লৈঙাকসিনা থিংনবা থবকসু লেপ্তুনা পায়খৎলকই। মণিপুরদা খ্বাইদগী মীয়াম্না য়াদ্রে হায়বসি হেক্তা থোরকপদা য়াদবা অদু থুগাইদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরকপা ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। মরম অদুনা মমাঙথক্তা ক্বা মনা পুশিল্লকপগী ৱাথোক মীয়াম্না খঙনখিবদুনি। মসিগী মখা তারকপদা মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা মতিক চাবা চৈরাক ফজনা মপূং ফানা থবক ওইনা পায়খৎতবদগী মথংদা অমুক থোরকপা মীয়াম্না তানরক্লিবসিনি। তশেংনমক মিথা মনা, জর্দা, খৈনি, তলপনচিংবা লল্লোনবশিং শিবা কিদনা থবক ফজনা পায়খৎলকই। ক্বা মতপ অমদা লুপা ৫০/৬০ পীদুনা চানরিবা লমদমনি। মসিগী মথক্তা তলপ লুপা ৫ পীবদু লুপা ২০/২৫দা লৈনরিবা মণিপুরনি। মণিপুর ৱারে হায়রিবসি তশেংনা চুম্লবা জাৎলো? মপূংদা অচুম্বা, অশেংবা থবক পায়খৎপদা নুপীশিংগী থৌদাং চাউনা লৈরে হায়বসি হন্দক্কী লায়নাসিদা ময়েক শেংনা খঙনরে। নুপী খুদিংমক জর্দা মতপ অমদা লুপা ৫০/৬০ অমদি কোম ক্বা মতপ অমদা লুপা ১৫/২০দা লৈদুনা চানরিবসিবু কদাইদনো ৱানরিবা? অসিগুম্বা লুরবা-চিরবা তাঞ্জাসিদা নুপী ওইবীশিংগী থৌনা পাঙ্গল ফজনা খঙনরবা লমদম অমনি। মপান্দগী ক্বা মিথা মনা, জর্দা, খৈনি, তলপনচিংবশিং অসি হৱাগাড়ী ড্রাইভরশিংনা পুশিল্লকপনি। হৱাগাড়ী ড্রাইভরশিংবু চ্যেক তৌরিবশিং কনানো? ৱাহং অসিগী পাউখুম লৈঙাক্লা পীবীফম থোক্তবরা?

নাকল অমরোমদা, মীচম মীয়াম ৱাবগী খম থেংলে হায়বসি পাউচেশিংদা ফজনা মচা খায়না ইনরক্লি। নোংমগী লেপ্তুনা মীয়ামগী খোল্লাউ পূম্নমক তানরি। চীংগী অথাপ্পা মফমশিংনা চানবা চেঙ অমদি অতৈ পোৎলম ফংদ্রে হায়বসি তোইনা তানরি। শ্রী বিরেনগী তমজনীংঙাই ওইরবা চীংদা চৎলু হায়বসি ইতিহাসকী অনৌবা অওনবা অমনি। শ্রী বিরেনগী চীংদা চৎলু, চীং-তমগী খেন্নবা লৈতে হায়বসি ফজরবা ৱাফমনি। অদুবু হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী ৱাথোক, লায়নাসিদা চীং-তমগী মশক তরু-তরুনা খঙনরে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা চহী অনীরোমতা ঙাইরবা বিধান সভাগী মীখলগীদমক পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা চেঙ, থুম, থাও, ঙারিনচিংবা লেপ্তুনা মীয়ামদা য়েন্থোকপগী থবক ফজনা তৌরিবসি লৈঙাকসিগী খ্বাইদগী লাইবক ফবা তাঞ্জা অমসুনি। লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা অচুম্বসিবু ফজনা তৌরিবমখৈ মীয়ামসু নুংঙাইবগী ঈথক ঈপোম হৌবা তাবনি। মরম অদুনা লমদমসিদা অচুম্বগী মফম কনমিন্নবা হায়বসি পূম্নমক্কী য়াইফবনি। মসিগী মথক্তা লৈঙাকসিনা এম এল এ, মন্ত্রিশিংগীদমক মাগী মাগী এ সীশিংদা চেঙ পীথখিবা চেঙগী মশীং এ সী খুদিংমক্কী চপ চাবা চেঙশিং লোয়ন-লোয়ননা থুম, থাওনচিংবা মীচম মীয়ামগীদমক পীথরকখিবশিং ময়েক শেংনা খঙহনবীফম থোক্তবরা? এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা ঙসি ফাওবা এ সীশিংদা পীথরকখিবশিং ফোঙদোক্তবসিবু নুংগী ওইবা ৱাখল করিনো? মরম অদুনা খ্বাইনা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা হেন্না কূপ্পা ৱাফম মীয়ামদা থন্বীফম থোক্তবরা? ৱাহংসি চম্না তরাইনা খনবীদনা মীয়ামদা য়েন্নবা পীথরকখিবশিং মরীক চুম্না খঙহনবীনবা ৱাফম থমজরি।

মরম অদুনা এ সী খুদিংমক্কী মীয়াম্না হংনরক্লিবসি খঙহনবীয়ু। লমদমসিদা অচুম্বা পান্বা, অশেংবা চৎপা মীশক থিবদা ৱানরবসিদা কোরোনাভাইরসকী নামাদা খুদোংচাবা লৌরন্লোই হায়বসি করম্না মীচম মীয়াম্না থাজবীগনি। অরেম্বা, ওইজবা পামদবা মীশক লমদমসিদা কয়াবু লৈরিবগে? মতম শাংনা থাজনরক্তবা, অচুম্বসিবু নাথৈ-নাথৈদুনা শক্তি পায়বশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা চত্থরবসিদা কনানা কনাবু থাজনগনি। কোরোনাভাইরসসু মীয়াম্না থিংমিন্নগনি, মীয়াম য়াওদনা লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা থিংবা ঙম্লোই, লৈঙাক অমা লৈতনা মীয়াম্না করিসু তৌবা ঙমলোই। মরম অদুনা লৈঙাক, মীচম মীয়াম কৈদৌনুংদা থাদোক্লবা খক য়াররোই।

মসিগী মখা তারকপদা তমথীনা ফৎত্রবা লায়না অসি কদাইদগী কমদৌনা ওইরক্লিবনো হায়বসি ঙসি ফাওবা চাওখৎলবা মালেমগী মীয়াম্না ফোঙদোক্তবসি মীয়ামগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মীয়াম্না খঙনরিবসি চাইনাদগী হৌরকখিবনি হায়বসি নত্তনা মখা তাবা মপূং ওইবা খঙহনদবসি নুংদা করি ফুমদুনা লৈরিবগে? মসি পূম্নমক্কী মখা তারকপদা হন্দক্কী অসিগী মখা চত্থরকপদা অমুক ভাইরস অসি শন্দোরকখিগনি হায়না ঙাঙনরক্লিবসি মীয়াম্না মীপাইনদবদি নত্তে। হৌরকফম খঙদনা হেক্তা লায়েংবা হায়বসি তরাইবসু নত্তে। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা লায়নাসিগীদমক হৌরকপা য়াবা মফম শোয়দনা খঙফম থোকপনি। অদুবু ঙসি ফাওবা ফোঙদোক্লরক্তবসি নুংগী ওইবা মরম খরদি শোয়দনা লৈফম থোকই।

মপূং ওইনা থমজনীংলিবদি লায়না লাইচৎ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনানা শোয়দনা খঙফম থোকপনি। ভাইরস অসি মাঙহন্নবা হীদাকসু শোয়দনা খঙফম থোকপনি। মীচা শিসনু খল্লগা ইচা শিবনি হায়বা মৈতৈগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা ৱাফম লৈতবসু নত্তে। নাকল অমরোমদা ফত্তবা হায়বসি পূম্নমক্কী ফত্তবনি। অনীশুবা লাঞ্জাওসু এটোম বোমনা পীবা চৈনাদগী হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা হেন্না শাথীবা ওইরে। মরোল থোক্তনা মরৌ লৈনা পীবা চৈনানি। মসিগী মখা তারকপদা মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনা কোরোনাভাইরসতগী কনমিন্নবা হায়বসি পূম্নমক্কী য়াইফবনি। অদুবু খন্থহৌদবা মীকুপ্তা অৱাবা তামিন্নবা হায়বসি ঙসিদি ৱাখল তামিন্নরসি। লাইচৎলা, কেমিকেলগী দশারা হায়বসি খরদি খঙনা খঙনা ফোঙদোক্লদবরা হায়বা মীয়ামগী চিংনবসু লৈতবা নত্তে। মীয়ামগী মপাউ হায়বসি শিবা নাইদ্রবা মপাউনি। মীয়ামগী মচিন কনানসু থিংলুবা ঙম্বগী পাম্বৈ লৈরোই। মীনা শিবনা চিনদা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়বা মীতৈগী পাউরৌ তরাইনা খন্দোকপা খক য়াররোই। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# সলাই ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যের এসোসিএসন য়াওনা লুপ কয়ানা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোক্লরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু থমখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক চত্থনরি।

সলাই ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যের এসোসিএসননা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু মনুংদা মীয়ামগীদমক অহিং নুংথিল নাইদনা ঙাক শেল্লিবা পুলিস পার্সনেলশিংদা চান-থক্লবা, ঈশিং, প্লাওনচিংবা য়েন্থোকখ্রে। কোভিদ-১৯ থেংনবগীদমক অৱা অনা মায়োক্ল রিবা মীয়ামগীদমক সলাই ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যের এসোসিএসননা মখা তানা অঙম্বা মতেং পাঙখিগনি। কোভিদ-১৯ লায়না থেংনবগী মতেং ওইনা সলাই ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যের এসোসিএসননা থা অসিগী ১৫দা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ ৩ খুৎশিন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন কোংখাম মখা লৈকায়গী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান অন্ন য়োজনাগী মখাদা



নম্বোল এ সীগী এম এল এগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগা লোয়ননা নম্বোল ম্যুনিসিপালগী মনুং চন্না লৈবা কোংখাম মখা লৈকায় অমসুং কোংখাম ময়াই লৈকায়দা চহী ৫গী মথক্তা লৈবা মীপুম খুদিংমক্তা চেঙ কে জি ৫/৫ লেম্না য়েন্থোকখ্রে। চেঙ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱার্দ নম্বর ৮কী কাউন্সিল্লর, মেম্বর, কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিতিগী মেম্বরশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মেম্বর অমদি ক্লবকী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব শমুরৌগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম শীনবা থুংনা লায়না-লাইচৎ ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং ফংহল্লিবা অসিদা ক্লব অসিনা কোনবা পোল্লিং নম্বর ২২/৯ অমদি ২২/১৬গী মীয়ামদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী সোসল ৱার্কর লোকেন্দনা থুম, থাও, তিলহৌনচিংবা পোৎলম কয়া ক্লব অসিগা খুৎশম্নদুনা য়েন্থোকখ্রে। মসিগীদমক ক্লব অসিনা লোকেনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী নহারোল লৈশেম্বা ক্লবতা লাংমৈদোং চিরু ভিলেজ ওথোরিটিনা চীংগী মহৈ মরোং খুদোল তল্লক্তুনা তমগী ইচিল-ইনাওশিংদা মতেং পাঙখ্রে হায়না ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# মাওদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): সোসল ৱেলফ্যের অমদি কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ঙসি মাওদা চৎতুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক লৌখৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিনখ্রে।

মিনিষ্টরনা মাও স্ক্রিনিং সেন্টরদা মরুওইবা থৌরাং কয়া য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অৱাৎ-অপা পূম্নমক মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পুখৎলগা অথুবা মতমদা মেনশিন্নবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমসুং সেনাপতিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা মতিক চাবা স্ক্রিনিং সেন্টর অমা শানবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চয়োল অমগী মনুংদা মপূং ফাবা স্ক্রিনিং সেন্টর অমা লৈরগনি হায়না থমখি।

খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা স্ক্রিনিং সেন্টরদা মথৌ তৌরিবা ডোক্টর, নর্স অমদি পুলিস পর্সনেলশিংদা থর্মেল স্কেনর অমদি মাস্কনচিংবা পোৎলম কয়ামরুম খুৎশিন্নখি। মিনিষ্টরনা মাও পুলিসকী চ্যেক পোষ্ট অমদি জে এন ভি মাওগী ক্বারন্টিন সেন্টরগী ফীভমসু য়েংশিনখি।

মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা কাংপোকপী অমদি সেনাপতিগী নোদেল ওফিসর এম হরেকৃষ্ণ এদিসনেল দিরেক্টর পব্লিক হেল্থ ডো. এল আরকে, দেপ্যুটি দিরেক্টর পব্লিক হেল্থ ডো. ৱাই প্রেমচন্দ্র, দেপ্যুটি দিরেক্টর ডো. এল সোমোরেন্দ্রো, সিনিয়র মেদিকেল ওফিসর ডো. ও রোমেস, দি সী সেনাপতি, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমদি চীফ মেদিকেল ওফিসরসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ষ্টেট লৈঙাক্লা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্ন য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই) গী মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পি দি এসকী চেঙ ফংহনবা হোৎনরি। মীয়ামদা মতম চানা চেঙ ফংহন্নবগী পান্দমদা এপ্রিল থাগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাই অমসুং ওপন মার্কেট সেল স্কিম (ও এম এস এস) গী চেঙ এফ সী আইগী গোদাউন্দগী লেপ্তুনা চিংথোক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা ঙসি চেঙ ক্যুন্টল ২৭৯৬ য়েন্থোকখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা খাঙবোক এ সীদা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুন্টল ২২৪৩ অমসুং ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ৫৬২ য়েন্থোকখি। থৌবালগী দি এ পি সী য়ুদসু ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ২.৫ য়েন্থোকখি।

লিলোং এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুন্টল ১০০৭.৭ অমসুং ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ২০৫.৯৭৫ চিংথোকখি। থৌবাল এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুন্টল ২০২০.৫০ অমসুং ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ৪৭৯.৯৫ চিংথোকখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মোইরাং এ সীগী এপ্রিল থাদা য়েন্থোক্লদবা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুন্টল ২১০৭.৩০ অমসুং ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ৭৬৯.৫০ চিংথোকখি। জিরিবামগী ওইনদি ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ১৯৮.২১ চিংথোকখ্রে হায়রি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু ৱাবগাই এ সীগী ওইনা চৎলিবা থা অসিদা য়েন্থোক্লবা ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ২০০ চিংথোকখি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতনা ও এম এস এসকী মখাদা তমেংলোং এ সীগী মীওইশিংদা ফংহনগদবা চেঙ ক্যুন্টল ৩০০.৩৫ এফ সী আই গোদাউন্দগী চিংথোকখি।

এপ্রিল ২১দসু ও এম এস এসকী মখাদা ফংহনগদবা চেঙ ক্যুন্টল ৪৬২ চিংথোকখি। তামৈ এ সীগী ওইনা চেঙ ক্যুন্টল ৮৪৫.৫০ চিংথোকখি হায়রি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুন্টল ১২৪৮.০৯ অমসুং ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ২৭১.২৯ চিংথোকখি। এপ্রিল ২২দা কাংপোকপী এ সীগী মীওইশিংদা ফংহনগদবা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ৮৬৬.৪০ চিংথোকখি হায়রি। নুমিৎ অদুমক্তদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ ক্যুন্টল ৭৮৪.৩০ অমদি ও এম এস এসকী মখাদা চেঙ ক্যুন্টল ৩১৮.৭৫ মীয়ামদা ফংহনখি।

লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতম চানা চেঙ ফংহন্নবগী পান্দমদা তেংনৌপল এ সীগী ওইনা এপ্রিল ২২দা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুন্টল ৭৮৪.৩০ অমসুং ও এম এস এসকী চেঙ ক্যুন্টল ৩৭৩.৭৫ চিংথোকখি হায়রি।

# দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩(ঐচএনএস): টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা শুবা নোম্বা ঙমদ্রবা দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংদা মখোয়গী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিস (টি দব্লিয়ু আই আর দি এস) কী সেক্রেটরি ঐচ ব্রোজেন্দ্রোনা হায়, কোভিদ-১৯ লায়না অসিনা লৈবাক অসিদা য়ৌরকত্রিঙৈ মমাংদসু মণিপুরদা লৈরিবা দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিং অসি ৱাদুনা লৈরিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লাক্লবা মতুং লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা লৈঙাক্লা লোকদাউন তৌখিবদগী দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংগী ইমুং-মনুংশিংগী মীওইশিংনা লোকদাউন তৌখিবনা ৱাবগী চাং হেনগৎপা খক নত্তনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈতবনা ৱানরে। মরম অদুনা দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবগী পান্দমদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি। অসিগুম্লবা দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংদা পোৎচৈ য়েনবগী থবক মখা তানসু মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাংথোকখিগনি হায়খি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা থৌরম অদু টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিস অমদি খোংমনদা লৈবা ধননজোয় ফিজিকেল্লি হেন্দিকেপ, রেসিদেন্সিয়লি ইংলিস স্কুল, শিংজমৈ থোংঙাম লৈকায়দা লৈবা দি এস প্রি স্কুল এন্দ আর্লি ইনভেনসন অমদি ইরিলবুংদা লৈবা দি এস এ সী একাদেমি সেন্টরগী মেম্বরশিংগা পুন্না য়েন্থোকখি।

## ঈথৈ লৌখোং তৌবগী থবক হৌরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): জোব কার্দ হোল্ডরশিং, এম এল এ, জিলা পরিষদ, প্রধাননা মীৎয়েং চঙদুনা নোংজু থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ঈথৈ-লৌখোং তৌবগী থবক চত্থবা হৌরে হায়না হরাওরৌ তাঙ্খুম গ্রাম পঞ্চয়টকী প্রধান লৈশাংথেম কুল্লচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে। কুল্লচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মার্চ ২৫দগী লোকদাউন লৈখিবনা এম জি এন আর জি এসকী লেভরশিংনা চহীগী শুফম থোকপা থবক লেপ্তুনা লাকখি। লাইবক ফবদগী কোভিদ-১৯না নারবা মীওই অনীসু ফগৎলক্তুনা নেগেটিব ওইখ্রে। জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা নোংজু থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ঈথৈ-লৌখোঙ তৌবা হৌরে। য়ুম্নাম খুনৌ লৌকোন শেংবা অমদি তৌবা হৌখ্রে। লৌ পরি ২৬০ রোম লৈবা লৌকোন অসিদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈবশিং পীনবগীদমক থৌরাং অসি পায়খৎপনি। নুমিৎ ১১নি রোম চঙনা থবক শুগনি। ঈথৈ লৌখোঙ অসি শেমগৎলবদি ঈশিং নীংথিনা পীদুনা লৌফমদা ঈশিং খরদা ওইরবসু ফংহনবা ঙমগনি হায়নসু মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): লাংজিং মখা লৈকায়দা লৈবা অহন্থেম বিরমঙ্গোলদা থা অসিগী ১৯দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া পাৎশোই লোকেল কাউন্সিলগী সেক্রেটরী খুমুকচম জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরিক্ল। চেরোল অদুনা হায়, কমরেদ বিরমঙ্গোলদা হিংলিঙৈ মতমদা ষ্টেটহুদকী এজিটেসন অমদি তোঙান-তোঙানবা এজিটেসন কয়াদা থৌদাং লৌরম্মী। মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহন্নবগী ইহৌ, লৌমীগী ইহৌ কয়াদসু থৌদাং য়ারম্মী। লৈখিদ্রবা বিরমঙ্গোল পোৎশোই লোকেল কাউন্সিলগী অহানবা লোকেল সেক্রেটরী ওইরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবদা পাৎশোই লোকেল একজিক্যুটিব মীফম অমা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# লুরবা তানফমসিদা মুক্লদুনা লৈফম থোক্তে : য়ু সী এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপনা মরম ওইরগা মীপূম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা ঐখোয় মশেল ৱাখল ফত্তবা খন্নদুনা মুক্লফম থোক্তে হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ু সী এমগী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা হৌখিবা এপ্রিল ২০দা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চদোং মফাও ভিলেজদা লোকদাউননা মরম ওইদুনা অৱাবা খাঙলিবা খুঞ্জাশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপা চৎখিবনি। হায়রিবা খুঙ্গং অদুদা পূন্না লৈকায় অহুম - চদোং ন্যু, ৱেষ্ট অমদি মফাওগী খুঞ্জাশিংগীদমক্তা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুদা খুঞ্জাশিংনা মীওই অমদা চেঙ কেজি অমা ফানা ফংদবা য়াওই হায়বা ৱাফম থল্লকখি। মখোয়না হায়রকপা মতুংইন্না চাদোং মফাও ভিলেজদা মীওই অমগী চেঙ কেজি ১, রেমরৈ ভিলেজগী য়ূম ৩০০দা চেঙ কেজি ২০০, রিহা ভিলেজগী য়ূম ৩৭০দা চেঙ কেজি ৩০০, লমলাই খুনৌগী মীওই ৭০০তা চেঙ কেজি ২৫০ পীরকখি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিন্নবা অমদি চীংমী মীয়ামদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না চত্থদনবা য়ু সী এমগী সেক্রেটরি জেনরেলনা ফেসবুক্তা লাউথোক্তুনা চীংমীশিংগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহন্নবা হোৎনখিবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাফম অদুগী অচুম-অরান থিদোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা কামজোংগী এম এল এনা দি এস ওগী ওফিস মমাঙদা লেপ্তুনা চীংমী মীয়ামদা উৎ চাইবা ওইনা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংগী রিলিফকী চেঙদি ঙসিখক্তমক চিংথোক্লবা হোৎনরি হায়না এপ্রিল ২১দা হ্বাটসএপকী খূত্থাংদা ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদা, এম এল এনা মার্চ থাগী এন এফ এস এগী চেঙ হায়রিবা ৱাফম অদু অরানবনি। চীফ মিনিষ্টরনা লোকদাউনগী অহানবা তাঙ্কক্তা মীয়ামগীদমক রিলিফ পেকেজ ওইনা লাউথোকখিবা মতমদা মার্চ থাগী এন এফ এস এগী চেঙ অদু কার্দ পায়বা অমদি পায়দবা পূম্নমক্তা মীওই অমমমগী কেজি ৪/৪ ফংহল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

মরম অদুনা মার্চ থাগী এন এফ এস এগী চেঙ অসিনা লোকদাউনগী রিলিফকী চেঙনি অমদি মণিপুরগী মীয়ামদা লেম্না ফংহন্দুনা অৱাবা কোকহনখ্রবা অদুনা খুদমনি।

চাদোংগী খুঞ্জাশিংদসু ফংহনখ্রবা মার্চ থাগী চেঙ কেজি ১/১ অদু রিলিফকী চেঙনি হায়বসি চীংমী অয়াম্বনা খঙনরমদবদগী চেঙ য়েনবগা মরী লৈননা থবক তৌরিবা কামজোংগী মীওইশিংনা অরানবা খরা তৌরম্বা য়াই অমদি হীরমসিদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা মতৌ তারে হায়না য়ু সী এমগী সেক্রেটরিনা সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা খঙহনখিবনি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা চীংগী মীয়ামনা শোয়রে খঙলফাওবদা হায়দোকচবা ঙমদনা লাকখিবা অদু হন্দক য়ু সী এমগী এস টি এফনা মফম কয়াদা চৎতুনা থেংনরকপদগী চীংমী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনখিবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কন্সর্ন এম এল এশিংগীদি মশাগী পোলিটিকেল ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা থবক তৌরমগনি হায়না খন্দোক্লবা ফাওবা য়াই খল্লি অদুবু তাঙ্খুল মীয়ামগী লূপনি হায়না লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অমনা মীচম মীয়ামগীদমক লেপখিদবা হায়বসি লাইবক থীবনি।